

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, FRIDAY, OCTOBER 19, 2018 **PAGE 7**


*ফাইনান্সিয়েল ফেয়র প্লে (এফপিপি) গা মরী লৈননা সেটলমেন্ট এগ্রিমেন্ট থুগাইরুবগীদমক য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি য়ুইএফএনা অথিংবা থমখ্রবা রুশিয়াগী শান্নরোই রুবিন কাজান*

*জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা চত্থখিবা নাইট্লব ফাইটকা মরী লৈননা মরাল লৈরে হায়না ম্যুনিক কোর্টনা য়ুরো ৮০০,০০০ গী ফাইন থীহন্নবা খঙহনখ্রবা বার্সেলোনাদা শান্নরিবা আর্জেন্টিনা মচা অরুটুরো ভিদাল*

## আর্চর অকাস মালিকনা ইন্দিয়াগী মেডল টেল্লিদা সিলভর অমা হাপচিনখ্রে ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ লৌরগা কেম্পেইন লোইশিনখ্রে



*আর্চরি দিসিপ্লিনদা সিলভর ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অকাস মালিক*

ব্যুনোস এয়রস, ওক্টোবর ১৮ঃ

আর্জেন্টিনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং ব্যুনোস এয়রসতা চত্থরকপা য়ুঠ ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী আর্চরি কম্পিটিসনগী মার্কি ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী জুনিয়র আর্চর অকাস মালিকনা ইন্দিয়াগী মেডল টেল্লিদা সিলভর অমা হাপচিনবা ঙমখ্রে, গেমস অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ড ৩, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ অমা ফংলগা কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপামচাগী মার্কি ইভেন্ট অদুগী ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী অকাস মালিক অমসুং য়ুএসএগী ত্রেন্টোন কোলস লম্বা তৌনখিবনি। ইন্দিয়াগী আর্চর অকাস মালিক ৫শুবা সিদেদ আর্চরনি। অদুগা য়ুএসকী ত্রেন্টোন কোলসনা ১৫শুবা সিদেদনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অকাস মালিকপু য়ুএসকী ত্রেন্টোন কোলসপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী অকাস মালিকনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী সেনা রুসনা ষ্ট্রেট সেটতা ২–০, ২–০, ২–০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা য়ুএসএগী ত্রেন্টোন কোলসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ য়ুক্রেনগী অর্টেম ওভচিনিকোভবু ২–০, ২–০, ২–০ দা থোইরম্বনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী হৌরকপদা ইন্দিয়াগী আর্চর অকাস মালিকনা য়াম্না ফজবা ঙমখ্রবসু লোইশিল্লকপদা য়ুএসএগী ত্রেন্টোননা ফজখিবদগী ২৮–২৬ তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা সেটতসু হৌরকপদা আর্চর অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। অদুবু সেট অদুসু য়ুএসকী ত্রেন্টোননা য়াম্না নক্নবা স্কোর ২৯–২৭ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী আর্চর মালিকনা পার্ফেক্ট অনী কাপ্পা ঙমখ্রবসু মখা তানা কাপ্নরকপদা য়ুএসএগী ত্রেন্টোন কোলসনা ফজবা হেনখিবদগী ২৮–২৬ তা সেট অদুসু থোইখিবদগী মহাক্না গোল্ড মেডল ফংলগা ইন্দিয়াগী মালিকনা সিলভর ফংহৌবনি। ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডলনা বেলজিয়মগী সেনা রুসনা য়ুক্রেনগী অর্টেমবু থোইদুনা লৌখি।

## নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী বারথোলোম্যুগী হেটত্রিকনা চেন্নাইন এফসিবু ৪–৩ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক ওইখ্রে



*নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইদেট এফসিগী মায়কৈদগী হেটত্রিক চনবা ঙমখিবা বারথোলোম্যু ওগবাচেনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

চেন্নাই, ওক্টোবর ১৮ঃ

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোই বারথোলোম্যু ওগবেচেনা চনখিবা হেটত্রিকনা য়ুম্বু চেন্নাইন এফসিবু ৪–৩ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক ওইখ্রে।

ঙসি তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা লৈবা জৱাহারলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা চেন্নাইন এফসি অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হৌরকপদা য়ুম্বু ওইখিবা চেন্নাইন এফসিনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌদুনা লাকখি।

শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোই রোলিন বোর্গেসনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা চেন্নাইননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুরী মচা থোই সিংহনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনরক্তুনা বারথোলোম্যুনা ওগবেচেনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংনা ৩২শুবা মিনটতা মখা তানা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা থোই সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদপু হেন্দুনা লৈখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থদুনা লৈরিবা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসিগী শান্নরোইশিংনা চেন্নাইন এফসিগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চত্থদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

মখোয়গী হোৎনজম অদু শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা বারথোলোম্যুনা মহাক্কী অমদি টিম অসিগীসু অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা ২–৩ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মিনট অনী লৈরগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা টিম অসিগী মমাঙদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা বারথোলোম্যুনা মহাক্কী হেটত্রিক পাঞ্জল অদু চন্দুনা টিম অনীমক ৩–৩ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা ৫৪শুবা মিনটতা রোলিন বোরগেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোয়বদগী পাঞ্জল অমা চনশিল্লুবা অদুগী নিংঙমদবা অদু খরা মখৈ ফহনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়গী টিম্না চেন্নাইন এফসিবু ৪–৩ না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদনা চেন্নাইন এফসিবু ৪–৩ দা থোইদুনা পোইন্ট ৭ ফংলগা টেবলগী মকোক ওইবা ঙমখি। হয়েং কেরলা ব্লাষ্টর্সনা য়ুম্বু ওইরগা দিল্লি দাইনামোস এফসিগা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা শান্নরগনি।

## ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপী অমসুং নুপাগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে





*দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা নেহৱাল (ওই) অমদি সমির বর্ম*

ওদেন্স, ওক্টোবর ১৮ঃ

দেনমার্কী সিটি ওদেন্সতা চত্থরিবা য়ুএস দোলর ৭৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱাল অমসুং সমির বর্ম নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নম্বর টু সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম টুর্নামেন্ট অসিদা সিদিং ফংদনা শান্নরকখিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা মঙোন্দগী থাক হেন্না ৱাংলিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিবু ২১–১৫ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীমক পোইন্ট য়াম্না নক্নবা ইন্নদুনা লাকখি। অদুবু লোইশিল্লকপদা লন্দন ওলিম্পিক গেমসতা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবী ইন্দিয়াগী সট্টলর সাইনা নেহৱালগী মায়কৈদগী খরা ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী গেম অদু ২১–১৭ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই ৮শুবা সিদেদ নোজোমী ওকুহারাগা শান্নরগনি।

জপানগী নোজোমী ওকুহারানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই এস কৱাকামীবু ২১–১৫, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।

৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী হি বিংজিয়াওনা সাউথ কোরিয়াগী সুং জে হ্যুনবু ২২–২০, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্লগা নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাবাদনা হোং কোংগী ঙা কা লোং এঙ্গসপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১৯ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সট্টলর সমির বর্মনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইনে দানেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা থেংনরবা মতুং ২৩–২১, ৬–২১, ২২–২০ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৪শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেন অমসুং ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হো শান্নরগনি।

চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী কে সুনেয়ামাবু ২১–১৮, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি। অদুগা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী সুগিয়ারটোবু ১৩–২১, ২১–১৬, ২১–৯ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা জর্মনিগী পেয়র লামসফুব অমসুং সৈদেলবু ২১–১৭, ২১–১৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা অহানবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা জপানগী ৱাই ফুকুসিমা অমসুং এস হিরোটানা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী পেয়র ফ্রুরগাদ অমসুং থাইগেসেনবু ২১–৯, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অহানবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং এসদব্লিয়ু অমসুং হুৱাং য়াকিওংনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ইংলেন্দগী খৃষ্ট এদকোক অমসুং জি এদকোক্কা শান্নরগনি।

## ক্রেমলিন ওপনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা লাটভিয়াগী সেবাষ্টোভা অমসুং টুনিসিয়াগী জাবিয়র থেংনরগনি



*নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা টুনিসিয়াগী জাবিয়র*

মোস্কো, ওক্টোবর ১৮ঃ

রুশিয়াগী কোনুং মোস্কোদা চত্থরিবা ক্রেমলিন কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা লাটভিয়াগী সেবাষ্টোভা অমসুং টুনিসিয়াগী জাবিয়র থেংনরগনি।

ক্রেমলিন কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই লাটভিয়াগী সেবাষ্টোভানা রুশিয়াগী ভি ভোনারেভাবু ৪–৬, ৭–৫, ৬–৩ দা থোইরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুনিসিয়াগী জাবিয়রনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটপু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

ক্রেমলিক কপ অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা রুশিয়াগী এ পানোভা অমসুং জর্মনিগী এল সৈগমুন্দনা ক্রোএসিয়াগী দি জুরাক অমসুং রোমানিয়াগী আর ওলারুগা শান্নরগনি।

রুশিয়াগী এ পানোভা অমসুং জর্মনিগী এল সৈগমুন্দনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা ফ্রান্সকী কে লাদেনোভিস অমসুং কজাখষ্টানগী ভোস্কোবোইভাবু ২–৬, ৬–৩, ১০–৫) দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা ক্রোএসিয়াগী দি জুরাক অমসুং রোমানিয়াগী আর ওলারুনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা উজবেকিষ্টানগী অব্দুরাইমোভা অমসুং রুশিয়াগী কালিন্সকয়াবু ৬–৩, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী দানিল মেদভেদেভনা ক্রোএসিয়াগী দি লাজোভিসপু ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লুথুৱানিয়াগী আর বেরানকিসকা শান্নরগনি।

লুথুৱানিয়াগী বেরানকিসনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী এ বেদেনেবু ৩–৬, ৭–৬(৭–৩), ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপ্তা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা সর্বিয়াগী এফ ক্রাজিনোভিসনা রুশিয়াগী ই দোস্কোইবু ৭–৫, ৬–৪ দা থোইরম্লগা সেমি ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী হর্বাটপু ৭–৬(৮–৬), ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বী ইটালিগী এন্দ্রি সেপ্পীগা শান্নরগনি।

ফ্রান্সকী এ মনারিনোনা অনীশুবা রাউন্দদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ইটালিগী এম সেচিনাটোবু ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী বি পাইরেবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বী বেলারসকী ই গেরাসিমোভকা শান্নরগনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 960/SDC/P of 2018

Keisham Somorjit Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Top Khongnangmakhong
Petitioner
-Vs-
Keisham Ibotombi Singh S/o (L) Madham Singh of Top Khongnangmakhong
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 18-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 18-Top Dusara গী Patta No. 107 (অরিবা) 89 (অনৌবা) C.S. Dag No. 142 an area 0.63 acre of Anganphou class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/4116(C)/19



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 961/SDC/P of 2018

1. Ningombam Ibempishak Devi W/o (L) Kala Singh of Kongpal Kshetri Leikai
2. N. Nayaswor Singh S/o (L) Apabi Singh of -do-
3. N. Gopal Singh S/o (L) Mohori Singh of -do-

Petitioners
-Vs-
N. Mohori Singh S/o (L) N. Ballab Singh of Kongpal Kshetri Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 18-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 28-Porompat গী Patta No. 85 (অরিবা) 90 (অনৌবা) C.S. Dag No. 56 an area 0.28 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/4116(f)/19



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 965/SDC/P of 2018

1. Md. Afzal Khan S/o (L) Md. Maniruddin of Khergao Sabal Leikai
2. Md. Aziz S/o (L) -do- of -do-
3. Amina D/o (L) -do- of -do-
4. Manijan D/o (L) -do- of -do-
5. Usmani D/o (L) -do- of -do-
6. Fazilla D/o (L) -do- of -do-
7. Ruhina D/o (L) -do- of -do-

Petitioners
-Vs-
Maniruddin S/o (L) Sanai of Khergao Sabal Leikai
O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 18-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 37, 337 (অরিবা) 322/497 (অনৌবা) C.S. Dag No. 240/417 an area 0.55 acre of Ingkhol class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/4116(c)/19



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 964/SDC/P of 2018

1. Md. Azizur Rahman S/o (L) Harun of Khergao Makha Leikai
2. Md. Amusana S/o (L) -do- of- do-
3. Md. Habibullah Singh S/o (L) -do- of- do-
4. Md. Helam Khan S/o (L) -do-
5. Md. Sahid Khan S/o (L) Md. Ithoi
6. Mina Begum D/o (L) Harun
7. Atombi Begum D/o (L) Heran
8. Eben Begum D/o (L) -do-
9. Sakila Begum D/o (L) -do-
10. Ramjanbi Begum D/o (L) -do- all of -do-

Petitioners
-Vs-
1. Nasira Bibi W/o Nurddin of Khergao
2. Din Ahmed S/o (L) Md. Muluk of of Khergao Makha Leikai

O.P.

**NOTICE**
Porompat, the 18-10-2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 25 (অরিবা) 208 (অনৌবা) C.S. Dag No. 1052 an area .34 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 (One) অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 (One) গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat Court অসিদা objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/4116(d)/19